# মণিপুরগী ট্রাওনা ইন্দিয়ন এরোজ ৫-১দা থোইখ্রে, নেরোকাদি চর্চিল ব্রদর্সকী মখূৎতা মায়থীহৌরে



ইন্দিয়ন এরোজপু মায়থীবা পীদুনা আই-লীগকী মঙাশুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রবা ট্রাওগী শান্নরোয়শিংনা হরাউবা

কোলকাটা, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী): হিরো আই-লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি কোলকাটাদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরগী ক্লব ট্রাও এফ সীনা ইন্দিয়ন এরোজকী টিমবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অমরোমদা, অতোপ্পা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব ওইরিবা নেরোকা এফ সী চর্চিল ব্রদর্সকী মখূৎতা ০-১দা মায়থীবা নংহৌরে।

কোলকাটাগী কল্যানি ষ্টেদিয়মদা ট্রাও এফ সীনা ইন্দিয়ন এরোজকী টিমগা লম্বা তৌনখি। মদুদা ট্রাওগী মায়কৈদগী শান্নবা হৌরকপদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমখি। শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা ট্রাওগী শান্নরোয় টাজিকিষ্টান মচা টুরসুনোবনা পীরকপা বোল অমদা বিদ্যাসাগরনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। থংনবা মিনটতা ইন্দিয়ন এরোজকী শান্নরোয়শিংদগী বোল মুল্লগা ট্রাওগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা সপ্লাইয়র ওইখিবা টুরসুনোবনা অমুক্কা হন্না পাস অমা পীরক্তুনা নাইজেরিয়া মচা জোসেফ কোলালেদা খাইদোরকখি। জোসেফনা অমুক্কা হন্না ইন্দিয়ন এরোজকী দিফেন্দরশিং লাম্থোক্লগা কাওশিল্লকখিবা বোল অদু গোল পোষ্ট ময়াদা লৈখিবা মায়োসিং খোঙ্গ্রেৱোসিনা ট্রাওগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অহানবা হাফ অদু লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা ইন্দিয়ন এরোজকী মায়কৈদগী হর্স সাইলেসনা য়াম্না ফজবা ফ্রী কিক অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চল্লগা অহানবা হাফ অদু মখোয় ১-২দা শোথদুনা লৈখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা শুপ্পগী মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা অহানবা পাঞ্জল চনবদা পার্টনর ওইখিবা টুরসুনোবনা অমুক হন্না পীরকপা বোল অমদা বিদ্যাসাগরনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু ৪৯শুবা মিনটতা চনখি। মেটচকী মখা চথুরকপা ৭৪শুবা মিনটতা ট্রাওনা চথুরকখিবা অতোপ্পা এটেক অমদা দিনেশনা পীরকপা বোল অমদা কোমরোন টুরসুনোবনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখি। অদুগা ৮৪শুবা মিনটতা চানসো হোরামনা ট্রাওগী মঙাশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মায় পাকপা অসিনা ট্রাও পোইন্ট টেবলগী ৫শুবদা লৈখি।

ঙসি কোলকাটাগী কিশোর ভারতি ক্রিয়াঙ্গনদা মণিপুরগী অতোপ্পা ক্লব নেরোকা অমসুং চর্চিল ব্রদর্স লম্বা তৌনবদা নেরোকা ফনা কন্না হোৎনরবসু মেটচ অদু হৌরকপা ১৬শুবা মিনটতা চর্চিল ব্রদর্সকী মায়কৈদগী সী জুনিগানা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মায়থীবা নংখি।

নেরোকা মেটচ ৯ শান্নবদা পোইন্ট ৮ ফংলগা টিম ১১গী লম্বা অসিদা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা চর্চিল ব্রদর্সনা পোইন্ট ১৯ ফংলগা মকোক্তা লৈরি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Churchill Brothers | 9 | 5 | 4 | 0 | 12 | 4 | 8 | 19 |
| 2 | Real Kashmir | 9 | 4 | 5 | 0 | 18 | 7 | 11 | 17 |
| 3 | Gokulam FC | 9 | 5 | 1 | 3 | 18 | 11 | 7 | 16 |
| 4 | Punjab FC | 9 | 4 | 3 | 2 | 11 | 7 | 4 | 15 |
| 5 | TRAU | 9 | 3 | 4 | 2 | 14 | 11 | 3 | 13 |
| 6 | Mohammedan SC | 9 | 3 | 4 | 2 | 7 | 8 | -1 | 13 |
| 7 | Aizawl | 9 | 3 | 3 | 3 | 10 | 8 | 2 | 12 |
| 8 | Sudeva | 9 | 2 | 3 | 4 | 9 | 8 | 1 | 9 |
| 9 | Chennai City FC | 9 | 3 | 0 | 6 | 7 | 16 | -9 | 9 |
| 10 | Neroca FC | 9 | 2 | 2 | 5 | 13 | 14 | -1 | 8 |
| 11 | Indian Arrows | 10 | 1 | 1 | 8 | 6 | 31 | -25 | 4 |

# চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল প্রি-ক্বার্টর ফানেলগী অহানবা লেগতা চেলসি অমসুং বেয়র্ন ম্যুনিকনা মায়পাকপা ঙমখ্রে



চেলসিগী ওলিভর জিরোদনা ওভর হেদ কিক অমনা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়োক্তা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল

বুকারেষ্ট/রোম, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী): য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোলগী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিংদা ইংলেন্দগী চেলসি অমসুং মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিক্না মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙরাং রোমানিয়াগী কোনুং বুকারেষ্টতা শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী চেলসি অমসুং স্পেনগী এটলেটিকো মাদ্রিদকা লম্বা তৌনখি। বুকারেষ্টকী নেসনল এরিনা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অদুদা টিম্ অনীস্মক্কী মায়কৈদগী মায়পাক্লনবা শান্নখি। অদুবু মেটচকী অহানবা হাফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ লোয়শিনখিবদা নাকল অনীমক্কী পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদে।

এথলেটিকো মাদ্রিদকী হোম মেটচ ওইগদবা মেটচ অদু বৃটেনদগী স্পেনগী ফ্লাইট অমত্তা তাবা য়াদবা মরম্না রোমদা শান্নবা তাখি। মরমদি বৃটেনদা অনৌবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেব অমা লাকখিবদগীনি। অহানবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতম এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী গোল অদুবু দিফেন্দ তৌনবা হোৎনখিবনা অয়াম্বা শরুক ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নরকপা ৬৮শুবা মিনটতা চেলসিগী এটেক অমদা ওলিভর জিরোদনা য়াম্না ফজবা ওভরহেদ কিক অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। পাঞ্জল অদু অহানবদা ওফসাইদনি হায়না রুলআউট তৌরুরবা মতুং ভি এ আরগী দিসিজনদা জিরোদনা ফংদ্রিঙৈদা এটলেটিকোগী দিফেন্দর মারিও হরমোসোদা খেৎখিবা ওইরম্বদগী গোল ওইখিবনি।

এটলেটিকো মাদ্রিদনা পাঞ্জল হন্দোক্লনবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখিবা অরম্বা তাদুনা ০-১দা মায়থীখি। অনীশুবা লেগ মার্চ ১৭তা লন্দনদা শান্নগনি।

ঙরাং ইটালিগী কোনুং রোমদা লৈবা ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা মমাংগী চেম্পিয়ন জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং য়ুম্বু ওইখিবা ইটালিগী লাজিওগা অতোপ্পা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমা শান্নখিবা অদুদা চেম্পিয়ন ক্লব অদুনা হিরম অয়াম্বদা লাজিওবু খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৪-১দা থোইবা ঙমখি।

রোবার্ট লিৱান্দেস্কিনা অহানবা পাঞ্জল অদু মেটচকী ৯শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা লিওন গোরেটজকানা পীরকপদা জমাল সুসিয়ালানা চনবা ঙমখিবনি। অহানবা হাফ অদুগী ৪২শুবা মিনটতা ম্যুনিক্কী লিরোই সেননা চল্লগা ৩-০দা অহানবা হাফ অদু লোয়শিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ৪৭শুবা মিনটতা ফ্রান্সেস্কো এসর্বিনা ৪শুবা পাঞ্জল অদু হাপচিল্লগা লাজিওগী জোকিন কোরিয়নানা ৪৯শুবা মিনটতা অমা হন্দোকখি। অনীশুবা লেগ মার্চ ১৭তা ম্যুনিকতা শান্নগনি।

# নোংদম্বগী পাঞ্জল ৪না কে ৱাই দি ওনা লক্কি ষ্টারবু ৬-০দা থোইখ্রে, ওদেসিয়স এফ সীসু মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): ওদেসিয়স গ্রুপ য়াইরিপোক নিংথৌনাইনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা ওদেসিয়স কপ মণিপুর ষ্টেট ওপন (ইন্টর ভিলেজ) ১১-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা নোংদম্বনা পাঞ্জল ৪ চন্দুনা কে ৱাই দি ও চঙমদবীনা লক্কি ষ্টার এফ সী কাইরংবু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা ওদেসিয়স এফ সীনা সদাম এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

কে ৱাই দি ও চঙমদবী অমদি লক্কি ষ্টার এফ সী কাইরংগী মেটচ অদু হৌবদগী কে ৱাই দি ওনা অদুম্মক বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা কে ৱাই দি ওগী জর্সি নম্বর ২৩ টারিকনা একাউন্ট হাংদোকপা হৌখি। মখা তারকপা পাঞ্জল মরি কে ৱাই দি ওগী নোংদম্বনা মরী-মরী চনখিবনি। মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু ২৯শুবা মিনটতা চনখি। জর্সি নম্বর ১১ নোংদম্বনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ৩৩শুবা মিনটতা চল্লগা হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদুনা ৩৮শুবা মিনটতা চনখিবনি। লোয়নন্না মহাক্কী ৪শুবা পাঞ্জল অদু মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা চনখি। পাঞ্জল ৫-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈরবা কে ৱাই দি ওগী স্কোর অদুবু লক্কি ষ্টারগী মায়কৈদগী অমফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী ইঞ্জুরি টাইমদা কে ৱাই দি ওগী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ সাগিরনা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না লক্কিষ্টারবু ৬-০দা থোইখি।

নুংথিলগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিবু শিল্লিবা ওদেসিয়স ফুটবোল ক্লব অমদি সদাম এফ সী চঙমদবীগা লম্বা তৌনখি। মেটচকী হৌরকপা ৯শুবা মিনটতা ওদেসিয়স এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ রম্বোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মখা চথুরকপা মিনট ৫ লৈরগা ওদেসিয়স এফ সীগী মায়কৈদগী ফরুকনা ১৪শুবা মিনটতা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা, অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা জকারিয়ানা ২২শুবা মিনটতা চনখিবনি।

হয়েং সোরা এফ সী অমসুং বোনি এফ সী অদুগা পবজি য়ুনাইটেদ অমসুং ইটলি এফ সী শান্নগনি।

# এফ সী নোঙ্গ্রেননা শওম্বুং থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): চালৌ য়ুঠ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোক্লকপা ১১শুবা লল্লাই কেন্দ্র ভিলেজৱাইজ মেন্স ওপন ৭-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ সী নোঙ্গ্রেন, এফ সী ওক্সু অমসুং এফ সী কাংহুচীংজিন মখোয়-মখোয়গী লম্বাবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

এফ সী নোঙ্গ্রেননা এফ সী শওম্বুংগা লম্বা তৌনখি। মেটচকী ১২শুবা মিনটতা নোঙ্গ্রেনগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ এস অজিৎকুমারনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মখা তানা টিম অদুনা ফজবা হেল্লকপদগী ২৭শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১৭ কৃষ্ণকান্তনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। এফ সী শওম্বুংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা এফ সী নোঙ্গ্রেনগী জর্সি নম্বর ২১ এস রেবান্তনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা এফ সী ওক্সু অমসুং এফ সী সনায়াই পুংদোংবম লম্বা তৌনখি। মেটচকী হৌরকপা শুপ্পগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা ওক্সুগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৫ দল্লিয়ু পামৈনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। এফ সী সনায়াইগী মায়কৈদগীনা জর্সি নম্বর ৫ লমঙানবনা ১৫শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। অদুবু বোল হেন্না পায়বা ঙমখিবা এফ সী ওক্সুগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৮ ৱাই নাওচানা শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদু ২-০দা থোইখি।

গ্রুপ সীগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ সী কাংহুচীংজিন অমদি এন কে এফ সী কামেংগা লম্বা তৌনখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু এম কে এফ সী কামেংগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ নাওবীকেননা ৮শুবা মিনটতা একাউন্ট হাংদোকখি। অদুবু কাংহুচীংজিনগী জর্সি নম্বর ১১ অরুননা মিনট ১গী মনুংদা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। অরুননা ১২শুবা মিনটতা অদুগা টিম অদুগী প্রেমোকনা ২০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখ্রবা মতুং এন কে এফ সীগী জেমসনা ২৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ হন্দোক্লগা কাংহুচীংজিননা পাঞ্জল ৩-২দা থোইখি।

# ৱাফানা কে ৱাই ভি ও থোইখ্রে, নেসু অমসুং এল ৱাই জি এস ঈ দি এ ২-২দা দ্রো চৎখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা শৈখ বাবুমচা মেমোরিয়ল ট্রষ্টনা স্পোন্সর তৌদুনা লল্লোং থোংখোঙগী এষ্ট্রো টর্ফগ্রাউন্দদা শান্নরিবা অহানবা অস্ফা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি গ্রুপ এগী অহুমশুবা মেটচ অমদা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা এল ৱাই জি এস ঈ দি এ লানচীং অমদি নেসু খুরাইগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা মায় পাকপা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

ৱাফা ৱাঙ্গোই অমসুং কে ৱাই ভি ওগী মেটচ অদু টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অহৌবা পুংখায় অমগী মতম অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। ৩৯শুবা মিনটতা ৱাফাগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা জর্সি নম্বর ১০ পিটরনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা কে ৱাই ভি ওবু ১-০দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা কে ৱাই ভি ওগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা মওংদা পাঞ্জল হন্দোক্লনবা হোৎনরকখি। মখোয়গী এটেকশিং অদু ৱাফাগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাক্তুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল চনবগী খুদোংচাবা অমত্তা ফংখিদে। শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা ৱাফানা মখা তানা চথুরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ ঈ জোয়কিষননা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা মখা তানা কে ৱাই ভি ওবু মখোয়না হেন্দুনা লৈখি। লেমহৌবা মিনট ২০ ফাদ্রবা শান্নবগী মতম অদুদা কে ৱাই ভি ও পাঞ্জল অমত্তা য়ানবা ঙমদনা ৱাফানা ২-০দা থোইখি।

গ্রুপ অসিগী ওইনা ৱাফানা মেটচ ৩ শান্নবদা পোইন্ট ৭ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা কে ৱাই ভি ও শুপ্পগী পোইন্ট অমখক ফংলগা টিম ৬কী গ্রুপ অদুদা মমৈদা লৈরি।

ঙসি গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা নেসু অমসুং এল ৱাই জি এস ঈ দি এ শান্নবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি। নেসুগী মায়কৈদগী ৱাই সোভা অমসুং এস বিকাশনা চনখি। অদুগা এল ৱাই জি এস ঈ দি এগীনা পাওলেনলাল অমদি সৈমিন্থাংনা চনখি।

# মোদেল ক্লবনা রি য়ং ষ্টারবু ৱিকেট ৬তা থোইখ্রে, প্লেট গ্রুপতা ক্রাওনা পি সী সীবু থোইদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৫শুবা এম এন সি এ দব্লিউ প্রহ্লাদ অমসুং দব্লিউ রমানন্দ এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংশাংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ২২শুবা মেটচতা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা রি য়ং ষ্টার নাগামপালবু ৱিকেট ৬তা থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা প্লেট গ্রুপতনা ক্রাও খম্নাম বজারনা পি সী সীবু ৱিকেট ৪দা থোইরগা সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

রি য়ং ষ্টার নাগামপালনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৪০ শান্নগদবা অদু ৩৬শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ আউট ওইরগা রন ১৩০ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী বিশ্বরজিৎনা আউট ওইদনা বোল ৩৫দা রন ২৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। টিম অদুগী ওপনর মিনতু চন্দ্র অমদি ৫শুবা বেটসমেন অজিৎনা মথংশিংনা রন ২১ অমসুং ২০ লৌখিবা অদু পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

মোদেল ক্লবকী মায়কৈদগী বোলর সুপরজিৎ, জিনিয়স, মঙ্গি অমসুং ভেটেশোরনা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি। মেটচ মায় পাক্লনবা মোদেল ক্লবনা রন ১৩১গী টার্গেট অদু ৩৩শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা বেটসমেন ৪খক আউট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৬তা মায় পাকখি।

মোদেল ক্লবকী মায়কৈদগী কেপ্টেন কর্নজিৎ অমসুং ধমেন্দ্রনা ইন্নিংস হৌদোকখি। কর্নজিৎকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা বোল ৬২দা রন ৫৫ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ৩শুবা বেটসমেন দিপক অমসুং ৫শুবা বেটসমেন বাইকিংসনা রন ২৭ অমসুং ২১ লৌখিবা পনবা য়াই।

মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ক্রাও খম্নাম বজারনা পি সী সী ময়াইকোইবীবু ৱিকেট ৪দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মেটচ অদুগী টোস পি সী সীনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৪০দা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১৯২ লৌখি।

পি সী সীগী মায়কৈদগী ওপনর টাইসনননা রন ৪২ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজখি। লোয়নন্না অহুমশুবা বেটসমেন অনন্দনা শুপ্পগী বোল ৩২দা রন ৩৭ লৌদুনা ফজবা ঙমখি।

মেটচ মায় পাক্লনবা ক্রাওগী মায়কৈদগী রন ১৯৩ লৌবা তাখি। হায়রিবা স্কোর অদু লাম্থোক্তুনা মখোয়না অরোইবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৯৬ লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৪দা থোইখি।

ক্রাওগী মায়কৈদগী ওপনর দেনিশনা রন ৪২ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন হেরাচন্দ্রনা আউট ওইদনা রন ৩৬ লৌখিবগা লোয়নন্না রাকেশ অমসুং কালাসু রন ২৩/২৩ লৌদুনা ফজবা ঙমখি।

# বিষ্ণুপুর হোক্কীগী টি ঐচ দাইনালিনা পাঞ্জল ৬ চন্দুনা এ জে এস এ জিরিবামবু ১১-০দা থোইখ্রে, হোক্কী য়ুনিয়ননা এম এল ঐচ য়ু থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর হোক্কীগী টি ঐচ দাইনালিনা পূন্না পাঞ্জল ৬ চন্দুনা এ জে এস এ জিরিবামগা শান্নবদা ১১-০দা থোইবা ঙমখ্রে। হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা এম এন ঐচ য়ু লংথবালবু পাঞ্জল ১২-২দা থোইখ্রে।

মণিপুর হোক্কীনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ৮শুবা ষ্টেট লেভেল সব-জুনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন হোক্কী চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা পুল বিগী মেটচ অমদা বিষ্ণুপুর হোক্কীনা এ জে এস এ জিরিবামবু ১১-০দা থোইখি। মণিপুর হোক্কীগী মায়কৈদগী টি ঐচ দাইনালিনা পাঞ্জল ৬, টি ঐচ সুচিত্রানা পাঞ্জল ৩, লোয়নন্না টি ঐচ অনামিকা অমসুং ঈ গঙ্গানা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি।

নুপামচাগী কাঙলূপ্তা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং এম এন ঐচ য়ু লংথবালগা লম্বা তৌনবদা হোক্কী য়ুনিয়ননা ১২-২দা থোইখি। হোক্কী য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী এম ঙানবা, ৱাই বিদ্যানন্দ, কে ঐচ সোমিকান্তনা পাঞ্জল ২/২ চনখি। অদুগা সুসান্তসু পাঞ্জল ২ অদুগা অতোপ্পা শান্নরোয় ৩ অমসু পাঞ্জল ১/১ চনবা ঙমখি। এম এন ঐচ য়ুগী মায়কৈদগী এস সামসননা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি।

নুপামচাগী কাঙলূপ্তা পুল এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা খোংমন স্পোর্টিং ক্লবনা এ জে এস এ জিরিবামবু পাঞ্জল ১১-০দা থোইখি। খোংমন স্পোর্টিং ক্লবকী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৪ অমদি কেপ্টেনসু ওইরিবা এল সুশিলকুমারনা হেটট্রিক ফংখি। টিম অদুমক্কী শান্নরোয় এম বেনার্জিৎসু পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। এন সুরজসু মহাক্কী মায়কৈদগী এ জে এস এগী মায়োক্তা পাঞ্জল অনী চনশিনবা ঙমখি। টিম অদুগী থোইবা, কে এস ঐচ বোরিশ, দল্লিয়ু পাইখোম্বা, এল হরিশসু টিম অদুগী অপূনবা স্কোরদা পাঞ্জল অমমম্ হাপচিনবা ঙমখি। এ জে এস এ জিরিবামগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা বিষ্ণুপুর হোক্কী অমসুং এস ঈ ৱাই ও লম্বা তৌনবদা ৩-০দা বিষ্ণুপুরনা থোইবা ঙমখি। মেটচকী ১৭শুবা মিনটতা বিষ্ণুপুর হোক্কীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ এন রোহিটনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অনীশুবা হাফতা বিষ্ণুপুর হোক্কীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ বিক্রমজিৎনা ৫১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনবা লোইখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা ৫৫শুবা মিনটতা অতোপ্পা ফিল্ড গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না এস ঈ ৱাই ওবু ৩-০দা থোইখি। নুপীগী অতোপ্পা মেটচ অমদা হোক্কী থৌবালবু এস ৱাই য়ু সীনা ১০-০দা থোইখি। টিম অদুগী বিদ্যলক্ষ্মীনা হেটট্রিক ফংখি। অদুগা সিকি অমসুং তম্ফাসনানা পাঞ্জল ২/২ চনখি।

## IN THE COURT OF SUB - DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref :- Mut. Case No.153/SDC/M dt. 24/02/2021**

(1) Kiyam Ongbi Abemhal Devi W/o (L) K. Iboyaima Singh of Moirang Panshang Leikai (0.07 acre eastern side) (2) Kiyam Ibomcha Singh S/o (L) Bhogirot Singh of -do- (0.07 acres western side) Lambigi Awangda 0.01 acre. (3) Kiyam Shyamkeshwor Singh S/o -do- of -do- (0.07 acres middle side)

-Vs-

(Late) Kiyam Iboyaima Singh S/o (L) Bhogirot Singh of Panshang Leikai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Moirang, the 24th Feb., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫২ - মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ১৫১৪ অরিবা, ৬৮/৪২২৯ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ২৫৩৫/৭৯১৪, এরিয়া ০.২১ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ৩ অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং লোয়নবীনা লম অসিগী মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা আপত্তি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/9109/25 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Moirang

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 24th February, 2021**

**No.Prop/SR/IW/2021:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Hiyangthang Mayai Makha Leikai Nupi Lup"** on 24/02/2021 for registration under Section 4(1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Hiyangthang Mayai Makha Leikai**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaints/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/9056/25

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 63/SDC/NBL of 2021**

(1) Konjengbam Maipak Singh S/o (L) K. Chaoba Singh of Nambol Kongkham Makha
(2) K. Nanda S/o K. Maipak Singh of Nambol Kongkham Makha
(3) K. Achouba Singh S/o -do- of -do- (4) K. Bhubon Singh S/o (L) K. Kokngang Singh of -do- (0.31 acres for 1st 3 persons & 0.31 acres for 4th person) *-Petitioners*

-Vrs-

(Late) Konjengbam Kokngang Singh S/o (L) Chaoba Singh of Kongkham. -P.O.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 24/2/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 21 - Kongkham Patta No. 118 (Old), 63 (New), Dag No. 1117, an area of Kongkham (Nambol) of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/9058/25 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

ꯁꯝꯃꯟꯁ

## IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE IMPHAL WEST, MANIPUR

**Original (Succession) Suit No. 3 of 2021**

Smt. Takhellambam Madhuri Devi
...Plaintiff.

-Versus -

Shri Naorem Surjanath Singh and 2 (two) others.
...Defendants.

To

All the parties interested.

Whereas, the above petitioner have instituted the above suit against the defendants, all the interested persons are hereby summoned to appear before this court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material questions relating to the suit on 1st day of March 2021 at 10:30 O'clock in the forenoon, to answer the claim, failing which the suit will be disposed of ex-parte. Take notice that in default of your appearance on the day before mentioned that the suit will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of this Court on this 22nd day of February 2021.

SEAL

By :- L. Sharat Singh
Advocate

**Sr. Sheristadar**
District and Sessions Court,
Imphal West, Manipur.

HL-P/9055/25

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com